ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯃꯦ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ২০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৫২শুবা মশীং

## এন পি এফনা লৈঙাক শৌগৎপা তোকখিবা

### মণিপুরগী পোলিটিক্সতা অহোংবা অমা লাক্কদৌরিব্রা?

নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) না মণিপুরগী ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে। কোহিমাদা লৈবা পার্টিগী সেন্ট্রেল ওফিসতা মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লবা এন পি এফকী লুচিংবশিংনা ব্রারেপ লৌখিবনি। মণিপুরদগী চৎখিবা নাগা পিপলস ফ্রন্টকী এম এল এ মরি অমদি অতৈ মকোক থোংবা পার্টিগী লুচিংবশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমা লোইরবা মতুংদা এন পি এফকী স্পোক্সপার্সন অচুমবেমো কিকোননা হায়খি, মণিপুরদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা এলাইয়ন্সতা য়াওরিবা অতৈ পার্টিশিংদা মান্নবা মীৎয়েং থমদবগা লোয়ননা এন পি এফতা হন্থনা য়েংবগী মওং উবা ফংলে। নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্বা এন পি এফকী মরু ওইবা লুচিংবা টি আর জে লিয়াংনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, লোক সভাগী মীখল হেক লোইবগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্তা এন পি এফনা মখা তানা শৌগৎতনবা ফিরেপ লৌরে। পার্টি অসিগী মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী লুচিংবা অৱাংবৌ ন্যুমাইনসু বি জে পিবু লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টি মশেলগী মরক্তা মান্নবা মীৎয়েং থমদে হায়না মরাল শীরদুনা হায়খি, চুংশিন্নবা লৈঙাক শেল্লমদাইদা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবা মরম্না হীরম খুদিংমক্তা খুরৌ থাংনবগী মরম ওইরে। অয়াম্বা মতমদা বি জে পিনা এন পি এফপু লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টি অমা ওইনা লৌদবগী মওং উবা ফংই হায়নসু মহাক্না মরাল শিখি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু মেম্বর ৬০ লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা এন পি এফকী এম এল এ ৪না লৈঙাক শৌগৎপা তোকখিবদা থোইনা অকায়বা লৈরোইদবগী মওং অমা উবা ফংলি। বি জে পিগী এম এল এ ২১দা নেসনল পিপলস পার্টিগী এম এল এ ৪, এন পি এফকী ৪, লোক জনশক্তি পার্টিগী ১, ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১না শৌগৎলগা লৈঙাক শেমখিবনি। কোংগ্রেসতগী চোংথোরকপা এম এল এ ৮সু লৈঙাক পায়বদা য়াওরি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টি অমত্তগী থাজবা মাঙহনখিবা অমসুং নমথাক তৌখিবা লৈতে হায়রি। পাউচে অসিদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লোক সভাগী মীখল হেক লোইবগা সেন্ট্রেল লীদরশিং তানদুনা এলাইয়ন্সতা য়াওরিবা অতৈ পার্টিশিংগা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি। মমাঙদা য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্লা চৎমিন্নরিবা এলাইয়ন্সকী পার্টনর খুদিংমকপু লূম্না লৌই। এন পি এফ নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টি অমবু তরাইনা লৌবগী ৱাফম লৈতে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি এন পি এফ তোকখিবনা মণিপুরগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা করি অহোংবা লাকহনবা য়াবগে হায়বদুনি। মেম্বর ৬০ লৈবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা এন পি এফকী এম এল এ ৪না লৈঙাক শৌগৎপা তোকখ্রবসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা এম এল এ মশীং শুনা লৈরিবা মরম্না থোইদোকপা অকায়বা লৈগদবদি মান্দে। বি জে পি অমসুং এন পি এফকী মরক্তা য়ানরকখিদবসি কুমজা ২০১৮দগীনি হায়বা য়াই। নাগালেন্দদা শাংলবা চহী ১৫ পার্টি অনী পূন্না চৎমিন্নরক্লবা মতুংদা বি জে পিনা কুমজা ২০১৮দা এন পি এফ হুন্দোক্লুম্লগা নেসনল দেম্মক্রেটিক প্রোগ্রেসিভ পার্টি (এন দি পি পি) গা খূৎশম্নদুনা এসেমব্লি মীখল থেংনখি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা নাগালেন্দগী এসেমব্লি মীখলদা এন পি এফনা শীট ২৬ ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরবসু শুপ্নগী এম এল এ ১২ খক লৈবা বি জে পিনা এম এল এ ১৮ লৈবা এন দি পি পি, ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১ অমসুং অতোপ্পা পার্টি খরগা খূৎশম্নদুনা লৈঙাক শেমখি। মতমদুদগী হৌনা পার্টি অনীগী মরক্তা থম্নবা মরীদা ময়ি চৎপা হৌরে হায়না লৌবা য়াই। তোঙান তোঙানবা ৱাফম খরনা মরম ওইরগা বি জে পিনা লুচিংবা নোর্থ ইষ্ট দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন ঈ দি এ) দা য়াওরিবা পার্টি মশেলগী মরক্তা মত মান্নদবগী মওং অমসু উবা ফংলি। সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা বি জে পিনা লৌরিবা ফিরেপ্পু নেসনল পিপলস পার্টিনচিংবা এন ঈ দি এদা য়াওরিবা অতৈ পার্টিশিংনা ইফোং ফোংনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা লোক সভা মীখল মতুংদা লৈবাক্কী পোলিটিক্সতা অহোংবা অমা লাকপা নৎত্রগা লাক্তবা হায়বদু মে ২৩গী মতুংদা শোয়দনা খঙনরগনি।

### ...এডিটরদা থারকপা চিঠি ...

## বরাক থোং অমসুং মক্রু থোং

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীগী মক্রু থোং অমসুং বরাক থোং অনী অসি য়াম্না তোয়না য়াদ্রে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা তানরবা ৱাফমনি, অনৌবা অমা নৎত্রে। থোং অনী অসিগী মরমদা কনাগুম্বশিংনা নৎত্রগা লৈঙাক্লা মাগী মাগী মত মতুং ইন্না পংঙাঙ ঙাঙনদুনা লাকপা মতম কুইরে। য়াম্না পাক চাউমনবনা মীওইবনা হোৎনবদা ওইথোক্লরোইদবা ওইরগদি খঙদ্রে। ওইথোক্কদবা লৈরবদি অসামগী ধোলা সাদিয়া থোং অসি কিলোমিটর মাপন হেন্না শাংই, শাবা লোইবা কুইদ্রি, করম্না শাখিবগে হংলুসিরা? ঐখোয়গী মক্রু থোং অমসুং বরাক থোং অনী অসি কনানা শাবিগদবনো, শাবীনবা লৈত্রগদি দোনেসন তৌরগা শাবীরো নৎত্রগা কনাগুম্বা পুকচেল চাউবা মীওইশিংদা থোং অসি কৎপীয়ু, মীং থেৎচগে হায়দুনা মী থিরসি।

মণিপুরগী পুকচাক পুশিল্লকফম ওইরিবা লম্বী অসিগী থোংশিং অসি ঙাইহাক লৈতনা গাড়ী লানবা য়াদ্রে হায়না পাউচেশিংদা তৎতনা য়াওরকপা অসি থংনবা মীয়ামগী মমাঙদা য়াম্না ইকাইজফম থোকই। মরম অদুনা লৈঙাক অমা লৈরিবনিনা থোং অনী অসি শেম্বীনবা লৈঙাক্তা ৱাকৎচরি।

*অদোমগী - শগোলশেম সনাজাওবা*
*খোরি লৈকায়, নম্বোল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১। মৈতৈ লৈবাক্তা থায়নদি মতম তাকপসি তানয়েবগী পূংশিংদা চৎলম্মী। মদু ঘড়ীগী পূং নত্তে। মদুবু মৈতৈ পূং হায়না খঙনৈ।
(ক) মিনিট কয়ারোম্না মৈতৈ পূং অমগা মান্নবগে?
(খ) য়ুথক অমা হায়বসিনা মৈতৈ পূং কয়ানা শাবগে?

২। "নমিৎ পাল্লি উদরে, নখূৎ পাল্লি পায়বা য়াদরে।" পরেং অসি মহাকবি অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শিদুনতা লৈরবা নঙনা/লানগী শাজেল অমুক তৌরিবা?" পরেং অনী অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নুংশিবা! নঙবু ঙাইবদা ঐ ৱারে। ঐ চৎলে কাছারদা ইমাগী মনাক্তা। করিগুম্বা নহাক্না হল্লক্লবদি... খোঙ্গুল লীবিরকউ।" পরেং অহুম অসিনা সনাতোম্বীগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নোংমদোন অতিয়াদা ঙানবা থাজদি মায়হিং কায়দো, হিড়ম্বা লৈবাক অসিদা ঙাল্লিবা থাজ অসিদি মায়হিং কাদেদো।" অইবা কব্রম্বম নীলকান্তগী উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। মায়হিং কাদ্রিবা থাজসি কনাবুনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

### লৈবাক্কগী পোক্লকপা লায়না তীলনাশিং লাকশিনবা

**ডো: এম থোইথোই**



লৈবাক লৈশাদগী পোকহল্লকপা পান্বীগী লায়নাশিংবু ঙাকথোক্লবা মখল কয়াগী পান্বেশিং শীজিন্নে। পান্বেশিংদুগী মনুংদা কালেন্দা লৈচং লৈনা খোইদোক্তুনা লৈবাকপু নুংশা চাহনবা, প্লাষ্টিক সিথনা খুমজিন্দুনা লৈবাক লৈশাবু শাবগী চাং হেনগৎহন্দুনা লৈবাক্তা লৈজরম্বা হিংকুপশিং হাত্তোকপা, মনিল ওইনা থাদোকপা ঙম্বা হীদাক লৈবাক্তা চায়থোকপা (সোইল ফ্যুমিগেসন), মখল কয়াগী হীদাক চায়থোক্তুনা মখল কয়াগী হিংকুপশিং (মাইক্রোওর্গানিজমস) হাত্তোকপা অমসুং পান্বীদা মাঙহল্লিবা মখল কয়াগী কোকফাই, বেক্টেরিয়া, নেমাটোদ অমসুং তীলশিং হাত্তোকপা ঙম্বা কোকফাইশিং শীজিন্নবসি মরুওইনা অয়াম্বা লৌফমশিংদা চথনরি।

থৌরমশিংসিগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবসি নুংশা চাহনবসিনি। অদুবু চাওখৎলবা লৌউ শিংউগী লমদদি লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাই, বেক্টোরিয়া, নেমাটোদ অমসুং লৈবাক্তা লৈবা তীলশিংবু হাৎপা ঙম্বা কোকফাই, বেক্টেরিয়ানচিংবা শীজিন্নবসি য়াম্না পাম্না চথনরি। মতমসিগা খ্বাইদগী হেন্না চানবা থৌরম অমা ওইরি।

**হেন্না পাম্নরকপগী মরম :** লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা হীদাক লাংথক শীজিন্নবা অমসুং অতোপ্পা পান্বেশিং শীজিন্নবনা হাত্তোক্লিংলিবা মহীক মতাইদুখক খল্লগা হাত্তোকপা ঙমদে। মফমদুমক্তদা লৈরিবা, লৌউ-শিংউবদা কান্নরবা হিংকুপশিংবুসু হাত্তোকখিগনি। মাঙজবা কয়া লৈ। অদুমকপু কোকফাই অমসুং অতৈ অতোপ্পা হিংকুপশিং হাৎপা ঙম্বা কোকফাইশিং নেমাটোদশিং, বেক্টেরিয়াশিং অমসুং এক্টিনোমাইসিটিসশিং (বাইওলোজিকেল কন্ট্রোল এজেন্টস) শীজিন্নরগদি মথৌ তাবগী মতুং ইন্না শীজিন্নবনিনা মাঙজবা লৈতে। তুং কোয়না কান্নবা ফংই। চাং নেম্বগীসু নেম্না, ৱাংবগীসু ৱাংনা শীজিন্নরিবা পূম্নমক্কী কান্নবা ফংই।

**খুদোংচাদবা :** খুদক্কী ওইনা কান্নবা পীবা ঙমদে। মফম অমসুং অঙৈং-অশা খেন্নবগী মতুং ইন্না থা অমা অনীদি চঙই। অপাম্বা কলচর মখল খুদিংমক কৈথেলদা লোইনা ফংবা নত্তে। বাইও কন্ট্রোল এজেন্ট হায়না খঙনরিবা, পান্বীদা অকায়বা পীবা হিংকুপশিং হাৎপা ঙম্বা কান্নরবা হিংকুপশিংসি মালেমগী ওইনা লৌউ-শিংউদা শীজিন্নরিবা হীদাকশিংসি চাদা অমগী চাংদগী পংহেন হেন্দে হায়না পানরি। মণিপুরদা ফংলিবা মখলশিংসু পংয়াম য়ামদে। অপাম্বা কোকফাই মখল লৈনীংবা মতমদা লৈবা ফংদে। মসিগী মরমদি লৌমীশিংনা লৈনীংবগী চাং নেম্বা অমসুং শেল্লবা হীদাক্তু চহী অমদগী পংহেন হেন্না থম্বা য়াদবসিনি।

**থৌরমসিনা পীরিবা কান্নবশিং :** লৈবাক্তা লৈজরম্বা মখল কয়াগী কোকফাইশিং, বেক্টিরিয়া, এক্টিনোমাইসিটিস অমসুং নেমাটোদনচিংবা কয়াবু অকোয়বগী ফীভম শোকহন্দনা অমসুং কান্নরবা হিংকুপ কয়াশিংবু শোকহন্দনা হাত্তোকপা ঙম্বসিবু খ্বাইদগী ফবা কাঙলোন অমা ওইনা লৌনরি।

এঙ্গাং নাপী কয়াদা তারিবা পান্বী মখোঙ চেংশিনবী অমসুং খুইথবী লায়না থোকহল্লিবা *Pythium, Fusarium* কয়াবু *Trichoderma sp.* কয়ানা হাত্তোকহনবা ঙম্মী। মসিগা মান্নবা মওংদা *Gliocladium virens, Talaromyces flavus* অমসুং *Pythium oligandrum* নসু লৌমীশিংদা কান্নবা পীরি।

*Pseudomonas flurescens* অমসুং *Pseudomonas putida* নচিংবা বেক্টেরিয়াশিংনা লৈবাক্কগী পোক্লকপা লায়নাশিংবু হন্থহনবা ঙম্বতা নত্তনা ফৌগী ব্লাষ্ট, সেথরোট, সিডলিং ব্লাইট, ব্রাউন স্পোটনচিংবা ফাওবা ফহল্লি। পান্বীগী মখোঙ চেংশিনবী, লফুগী খুইথবী লায়না ফহল্লি। মসিদসু নত্তনা গ্রোথ ফেক্টর IAA পুথোক্তুনা পান্বীগী শাহৌ ফহল্লি। হায়রিবা কলচরসি গ্রাম ৫-১০ ফাওবা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোক চাইথোকপা য়াই।

*Paecilomyces Lilanicus* না নেমাটোদনা থোকহনবা পান্বীগী লায়না কয়াবু ফহল্লি। খুদম ওইনা খামেনগী মরূ নোট নেমাটোদ হায়বা লায়নাগীদমক হীদাকশিং শীজিন্নরি।

*Beauveria bassiana* হায়না খঙনবা কোকফাইসিনা মখল কয়াগী তীলশিংদা *White muscadine* হায়বা লায়না থোকহন্দুনা তীলশিং হাত্তোকই। মীওইবদদি অকায়বা পীদে। কৈথেলদা *Larvocel* হায়না ফংই। পান্বীগী মরা চাবী, মউ হুৎপী অমসুং অতৈ তীল কয়াবু হাত্তোকই। ঈশিং লিটর খুদিংদা গ্রাম ৫-১০ ফাওবা য়ানশিল্লগা কাপথোক চাইথোকপা য়াই।

*Verticilium lecanii,* তীলশিং হাৎপা ঙম্ব কাকফাইনি। মকু থোৎপা তীলশিং খুদম ওইনা ৱাহিক, থ্রীপস, মাইট, মিলিবগ, হ্বাইট ফ্লাই, স্কেল ইন্সেকনচিংবা পূম্নমক হাৎপা ঙম্বা কোকফাইনি। কৈথেলদা ভর্টিকেল হায়নসু ফংই। ঈশিং লিটর খুদিংদা ভর্টিকেল গ্রাম ২.৫-৫ ফাওবা য়ানশিল্লগা কাপথোক্কনি। অহেনবা চায়থোকখিবা শরুকশিংনা লৈবাক লৈশাদা লৈজদুনা মখা তানা তীলশিং হাৎপা ঙম্মী। মসিগী মথক্তা লৈবাক্তা লৈরিবা লৈশৌ কয়াবু হাত্তোকপা ঙম্বা হীদাক Pacer হায়না খঙনবা হীদাকসু ফংলে। ঈশিং লিটর খুদিংদা Pacer গ্রাম ৫-১০ ফাওবা য়ানশিনবীরগা লৈশৌ মশা চোৎনা কাপথোক্লবদি লৈশৌশিংবু ইরায় লায়না হাৎলি। হীদাক কাপ্তুনা য়ৌহনবা ঙমদ্রবা লৈনুংদা লৈরিবা লৈশৌগী রানি ফাওবা লৈশৌ তীলশিংনা শন্দোকখুদনা মপূং ফানা হাৎপা ঙম্মী। মীওইবগী হকচাংদি শোক্তে।

মসিদা নত্তনা Mycorrhiza হায়না খঙনবা পান্বীদা হার পীবা ঙম্বা কোকফাইসিগী মতেংনা কোকফাই লায়না কয়াবুসু লাকশিনবা ঙম্লে। Mycorrhiza সিমক লৌমীশিংনা কৈথেন্দগী লৈবসু ফংলে।

থৌরমশিং অসি মীপূম তিংনা পাম্নরক্লিবা ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্ট মেনেজমেন্ট অমসুং ওর্গানিক ফার্মিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরম অমা ওইরে।

## শেন্দোং লৈনা লফু থারসি

**এস সুমঙ্গল**



লফোই হায়রিবা উহৈ অসি চাবদা হাওবতা নৎতনা হকচাংসু ফবা উহৈ মখল অমনি হায়বসি ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। উহৈ অসিদা চাক, আলু, চুজাক, পান-নচিংবনা মীওইবগী হকচাংদা পাঙ্গল পীবা চনাংগী (কার্বোহাইদ্রেট) শরুক য়াওবদা নৎতনা অতৈ পোৎলমশিং হায়বদি ভিটামিন মরাং কায়না য়াওই। ভিটামিনশিংগী মনুংদা অমুনবা লফোইদা ভিটামিন এ, সী, বি১, বি২ য়াওরি। ময়াম্না হেন্না খঙনরিবদুনি ভিটামিন এনা মীৎকী পাঙ্গল ফগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বসিনি। ভিটামিনশিং অসি মীওইবগী হকচাংগী লায়না কয়া ঙাকথোকপদসু অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। ভিটামিনশিংদা নৎতনা মিনরেল কয়া অমসু লফোইদা য়াওরি। মখোয়শিং অদুদি মেগ্নিসিয়ম, সোদিয়ম, পোটাসিয়ম, ফোস্ফোরস, কেলসিয়ম অমসুং আইরন পনবা য়াই। মখোয়শিং অসিগী থৌদাং অসি দোক্টরশিংনা ফার্মাসিদগী লৈদুনা চানবা ইরক্লবা মতমদদা নীংশিংনবগুম তৌই। ইঙ্খোলদা মফম চাবা য়েংদুনা লফু পান্বী অফবা মখল খরা নীংথিনা শেন্নদুনা থারবদি কৈথেলদগী তাঙনা লৈদুনা লফোই চাবগী শেল তিংবদুদগী ফনা য়াম্না কনবা ঙমগনি খল্লি। শেল কনবতা নৎতনা শেল ফংবা ঙমগনি হায়বসু থাজে। লফুগী লাগী চন্নফমদি ময়াম্না হেন্না খঙনবীরম্লনি খল্লি। মরম অদুনা লফু নীংথিনা থাবগী মরমদা ঐখোয় খরা খঙজিনমীন্নসি।

হার হাপ্পা ঃ কাঞ্জুল খূদিংমক্তা ষষ্থি ষণয়ুংগী হার কিলো নিপানদগী তরা ফাওবা হাপ্পীগনি। অপুনবা রাষায়নগী হারনা চহীদা য়ুরিয়া কিলো ৪০০, সুপর গ্রাম ৬৫০, পোটাশ গ্রাম ৪৫০ চঙগনি। সুপর অমদি পোটাশ পুন্না হান্নবা তৌথোক্লবা লৈবাক্তুগা নীংথিনা য়ানশিন্নদুনা শেম্বীগনি। অসুম্না শেল্লবা লৈবাক অদু কোমদুদা ফুঞ্জিনগনি। অসুম্না হার হাপ্তুনা শেল্লবা মফমদুদা লফু চারাশিং থাবা য়ারে। মতুংদা য়ুরিয়ানা শরুক অহুম থোক্লগা থারবা মতুং থা ২,৪, ৬ তা পান্বী মনাক্তা মরা শোক্তনবা মওংদা হাপ্পীগনি।

থাবগী মওং ঃ হৈকোন অমদা লফু মখল অমত্তং থাবগী মহুৎতা অৱাংবা/অনেম্বা মখলশিং পুন্না মফম খেন্ননা থাবনা খ্বাইদগী ফৈ। মখলশিং খেন্ননা থাবসিনা লায়না-তিলনা, নিংথম থাগী অঙৈংবা খাঙবা ঙম্বা ঙমদবনচিংবদগী খরমখৈ কনবা ঙমদুনা মসিগী কান্নবা ফংবা ঙমগনি। অৱাংবা পান্বীশিংনা অৱাং থংবরোমদা থাবীগনি। থারমদায়দা লৈবাক্তা হার তোৎপা মতমদা থাফম খূদিংমক্তা ফুরাদান থ্রীজি গ্রাম ৫০-৫০ নিংথিনা য়ানশিনবীহৌগনি, মসিনা লফুদা শাথিবা তীল কয়া তারকপদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

লাফু থাবগী মতম ঃ হৌজিকসি মে থানি। মমাঙঙৈ অহল-লমনশিংনা লফু থাবগী মতমসি জুন থানি হায়না য়াম্না শেংনা হায়বীরম্মী। মসিগী অচুম্বা য়াম্না লৈ। জুন জুলাই নোং চুবা মতমনি থারিবা লফুশিং খূৎলৈ থুনা হৌবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়ননা মতম চানা লফোই পানগদৌরিবনি। মতম অমদদি অহল-লমনশিংনা পান্বী মঙা-তরা থানবগীদমক অচৌবা লফু চারা থিদুনা মতোন ককথৎলগা থানরম্মী। অসুম্না অচৌবা লফু চারানা জুন থাদা থাবসিনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী, মার্চ থাদা থা তরেৎ/নিপান শুরকপা অদুৱাইদগী থরো থিঙ্গৎতুনা নিংথম থা চঙদ্রিঙৈ মতমদা মপূং ফাবা লফোই পানবা ঙল্লম্মী। অদুবু খরা পীকপা লফু চারানা থারবদি মতম খরা হেন্না চঙগনি, অদুম ওইনমক নিংথম থা চঙদ্রিঙৈদা অদুমক লফোই পানবা ঙমগনি। অনেম্বা লফু মখলশিংনা থাবদগী থরো থিঙ্গৎপা ফাওবদা থা মাপনলোম চঙই অদুগা খরা ৱাংবা মখলশিংনা থা তরানিথোই চঙই। মরম অদুনা মখোয়শিং অসিদি মার্চ, এপ্রিলদা থাবনা খ্বাইদগী চানবা মতমনি। মখল অমা হেক্তা থাবদা জুলাই থাদগী থেংথনা থাবদি ফৎত্রে। মরমদি নিংথম থাদা লফোই শোইদনা পাল্লনি। নিংথম লফোই মপুং নীংথিনা ফাবা ঙমদে হাওবসু ৱাৎলি।

লফু মখল ঃ মণিপুরদা মমাঙঙৈদগী য়াম্না পাম্না থানরকপা অফবা মখলগী লফু খরা পনবা তারবদি- হৈ, হাঙৌ, ঘেরা অসিনচিংবা পনবা য়াই। মপালদগী পুশিল্লকপা জহাজি অফবা মখলগী মনম নুংশিনা হাওবা লফোই মখলনি। নৌনা মণিপুরদা পুশিল্লকপা গ্রান্দ নাইনে মতম চানা মওং চুম্না থারবদি য়াম্না ফবা লফু মখলনি হায়না লৌবা য়াই। মখোয়দি টিস্যু কলচরগী মতেংনা মশীং য়াম্না পুথোরকপা লফুনি।

চারা মখল ঃ লফু পান্বীগী মখোঙদা চোংথোরকপা মচাশিং অসি মখল অনী শুই। অমনা নেমতক্লা মনা পাক্লা পাক্লা পাল্লকই। অতোপ্পা অমনা মনা থাঙশাং শানা পান্বীদু মতোন হুইথনা হৌগৎলকই। অনীশুবগী মখল অসিনা চারা ওইনা শীজিন্নগনি।

থাফম শেম্বা ঃ অকনবা লৈতানলম ওইরবদি কোম খরা চাউনা তৌগনি। পাকপা, শাংবা, লুবা ফুট অমা মখায় ওইহনগনি অদুগা ফোলি তাবা লম ওইরবদি মসি ফুট অমমম ওইহনগনি। তৌথোক্লিবা কোমদগী লৈবাকশিং অদু নীংথিনা থম্বীগনি। পান্বীশিংগী লাপ্নবদি অনেম্বা মখলগীনা মিটর অনী/অনী অদুগা অৱাংবা মখলগীনা মিটর অহুম/অহুম ওইহনগনি।

**থারবা মতুংদা লৌগদবা চেকশিন থৌরাং ঃ** লফু থারবা মতুংদা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌবা তাই নৎত্রবদি কান্নবা ইফং ফংদবা য়াই। লফু থারিবা মফম লুনা নান্না থম্বীগনি। নাপী হৌহল্লোইদবনি, অকংবা মনা অমদি মকাশিং লৌথোকপীগনি। থারিবা পান্বীগী মখোঙদা চোংলকপা পান্বী মচাশিং চাং নাইনা লৌথোকপীগনি। কক্থৎলবা পান্বী মচাগী হৌফমদুদা কেরোসিন খরা হৈজিনবনা অমুক হন্না পান্বীদু হৌহনদবা ঙম্মী। থারিবা পান্বীদুনা থরো হেক থিঙ্গৎলকপগা মখোঙদা চোংলকপা মশা ফবা পান্বী অমা নিংথিনা শেমগৎপীগনি। অসুম্না পান্বী অমমমদমক কক্পসিনা হৈকোন অদু মতম শাংনা মশা ফনা লৈহনবা ঙম্মী। অদুবু চহী অহুম শুরকপা মতমদদি নৌনা অমুক থাবনা হেন্না কান্নবা ফংগনি। মৈতৈ হৈদি নিংথিনা শেন্নরবদি চহী মঙা/তরুক থম্বা য়াই।

**ঈশিং চনবা ঃ** লফুদি মহৌশানা ঈশিং য়াম্না পাম্বা পান্বীনি অদুবু ঈশিং তুংশিনবদি খাঙবা ঙমদে। ঙল্লবদি নুমিৎ তরানি খূদিংগী ঈশিং চনবীগনি। লোয়ননা ইরম শেম্বীদুনা ঈশিং তুংশিন্দনবসু হোৎনবীগনি।

**লফোই হেকপা ঃ** অনেম্বা লফু অয়াম্বনা থারবা মতুং থা মাপললোম শুরকপদা থরো য়ানবা হৌই লোয়ননা লফু মপুং ফাবদা থা অহুমলোম অমগা চঙই। অৱাংবা মখলশিংনা থাবদগী থা তরানিথোইরোম ফারকপদা থরো শাৎপা হৌগনি। লফোই পানবা লোইরবা মতমদা অরোইবা পানবা লফাংগী মখাদা ইঞ্চি অহুম্মুক চত্থরগা থরো অদু কক্থৎপা কাউরোইদবনি। পাল্লিবা লফোইশিংনা য়াম্না শাংলম্বদগী খরা ৱাউথোরকপগা লোয়ননা চিথেক নাইরমবদগী মতুম তারবা মতমদা লফোই হেকপা য়ারে। লফোই লৌউগী মকোক থংবা লফাংগী মথকলোমদা ফুটখায় অমা কাখৎলগা কক্কনি। য়াল্লবা লফোই লৌউশিং কা মনুংদা থমদুনা মুলহনবা য়াই। খরা থুনা মুলহন্নীংবা লফোইশিং লফাং শেত্তোক্লগা অশংবা নাপীশিংনা য়োম্লগা কার্টুন বোক্সতা থম্বা মতমদা মুনশিনবা থুগনি।

মতম মতমগী ওইনা তারকপা লায়না তীলনাশিং ঙাকথোক্লবা অখঙ অহৈশিং তানবা ফৈ। লফোইনা মপুং ফারকপা মতমদা য়াম্না মাঙহনবা তীলনা অমদি খোইনা চুপ্পা হায়রিবা অসিনি। ময়াম্না খোইনা চুপ্পা হায়বগী ৱানি মসি তশেংবদি ফ্ল্যুইটফ্লাই হায়রিবা খোই অসিনা লফোইগী মনুংদা মরূম কোকশিন্দুনা মচাশিং অদু হল ওল্লকপা মতমদা লফোই চেখায়বা অমদি হল চঙদুনা মাঙহনবনি। মসিদগী কন্নবগীদমক মিথাইল ইউগেনোলগী লাং থাকপা কান্নগনি। অসুম্না নিংথিনা হোৎনদুনা লফু থারবদি লফু থাবগী কান্নবা শোইদনা ফংবা ঙমগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।